# পি এম মোদিনা হেন্না কনবা ইকোনোমিক, সোসিয়েল খোঙথাংশিং লাউথোক্কদবনি ঃ চিদম্বরম

*ন্যু দিল্লি, মার্চ ২০(এজেন্সি)ঃ*

কোংগ্রেস এম পি অমসুং হান্নগী য়ুনিয়ন ফাইনান্স মিনিষ্টর পি চিদম্বরমনা প্রাইম মিনিষ্টরনা কোভিদ-১৯ শন্দোরকপা লাক্লিনবা হেন্না কনবা সোসিয়েল অমসুং ইকোনোমিক খোঙথাংশিং লাওথোক্কুনা লৈবাক অসিদা অমুক হন্না ৱা ঙাংব নত্তনা অতৈ তৌনিংঙাই অমত্তা লৈতে হায়খ্রে।

জনতা কর্ফ্যু চথনবা প্রাইম মিনষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী খোঙথাং অদুবু শৌগৎলদুনা চিদম্বরমনা পাউমীশিংদা, প্রাইম মিনিষ্টরনা মাগী চাংয়েং অমা তৌবনি হায়না ঐহাক্না খল্লি হায়না পাউমীশিংদা হায়খি।

মহাক্না হেন্না কনবা সোসিয়েল অমসুং ইকোনোমিক খোঙথাংশিং লাওথোক্নবা নুমিৎ খরনিসিগী মনুংদা অমুক হন্না তঙাই ফদনা থোক্লককপা তাবনি হায়খি।

হৌজিক প্রাইম মিনিষ্টরবু শৌগৎপা হায়বসি ঐগী তৌফম থোকপা থৌদাং অমনি। তশেংনমক প্রাইম মিনিষ্টরনা ৱাখল্লোনগী ওইনা কোভিদকী মায়োক্তা লান চংশিন্নবা মীয়ামদা আপিল তৌখ্রে। মদু ঐখোয়না নোংমাইজিং নুমিৎতা অমসুং লাক্লিবা মথঙগী নুমিৎশিংদা তৌগনি হায়না চিদম্বরমনা হায়খি।

কোরোনাভাইরস পান্দেমিক্না মরম ওইদুনা খুদোঙথিবা মায়োক্নরবা ইন্দষ্ট্রিশিংগী মতাংদা হৌজিক ফাওবা গভর্ণমেন্টনা থৌরাং তৌদ্রি খল্লি। মথং নুমিৎ হুন্নিগী মনংদা ৱারোলশিং লাওথোক্নবা মখোয় অমুক হন্না থোক্লককপা নত্তনা অতৈ লম্বী লৈতে হায়বসি ঐনা খল্লি হায়না চিদম্বরমনা হায়খি।

কোভিদ-১৯ শন্দোকপা লাক্লিন্নবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মার্চ ২২দা জনতা কর্ফ্যু চথনবা সিটিশিংদা আপিল তৌখ্রে অমসুং ঙসি লৈবাকসিগী মীওই খুদিমকতগী অমুক হন্না শৌগৎনবা ঐহাক্না হায়জরি। মসি পব্লিক কর্ফ্যু অমনি। জনতা কর্ফ্যু হায়বদি মীয়ামগীদমক্কি। মীয়াম্না মখোয় মশাগী মথক্তা থমজবা কর্ফ্যুনি। সিটিজেন খুদিংমক্না লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমিৎ, মার্চ ২২দা অয়ুক পুং ৭তগী নুমিদাং পুং ৯ ফাওবা জনতা কর্ফ্যু তৌগদবনি হায়খি।

হৌজিক ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯ নাবগী মশীং ২০০ য়ৌখ্রে হায়না ঙসি ইরাই নুমিৎকী অয়ুক্তা য়ুনিয়ন হেল্ঠ মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখ্রে।

মালেমগী ওইনা হৌজিক মীওই ১০,০০০ হেনবগী পুন্সি মাঙহনখ্রবা তমথিবা লাইচৎ অসিদগী ইন্দিয়াদা মীওই ১৯ ফাওবদি ফহনখ্রে।

ইন্দিয়াদা মহারাষ্ট্রদা মীরৈবাক মচা ৩ য়াওনা মীওই ৪৯ কোভিদ-১৯ পোজিটিব ওইদুনা ভাইরস অসিনা খ্বাইদগী থীনা শোকপা ষ্টেট ওইরি।



# থিংহৌদনা শন্দোকহনখ্রবদি কোরোনাভাইরসতা মীওই মিল্লিয়ন কয়া শিরবা য়াই ঃ য়ু এন চীফ

*য়ুনাইটেদ নেসন্স, মার্চ ২০(এজেন্সি)ঃ*

অকনবা থবক লৌখৎতুনা করিগুম্বা থিংহৌদনা শন্দোকহনখ্রবদি অনৌবা কোরোনাভাইরস অসিদগী, মরুওইনা লাইরবা লৈবাকশিংদা মীওই মিল্লিয়ন কয়া শিরবা য়াই হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্সকী সেক্রেটরি-জেনরেল এন্টোনিও গ্যুটরেসনা শগোলশেল নুমিৎতা ৱার্নিং তৌখ্রে। পান্দেমিক অসিদা মালেম পূন্নমক্না খূৎশন্ননা পাউখুম পীনবা মহাক্না আপিল তৌখি।

করিগুম্বা ঐখোয়না ভাইরস অসি লাম্মে চাকপগু শন্দোকহনখিবা তারবদি, মরুওইনা খ্বাইদগী হেন্না শোক্লিংঙাই ওইবা মালেমগী লৈবাকশিংদা মীওই মল্লিয়ন কয়া শিরগনি হায়না গ্যুটরেসনা হায়খি।

মীওই ১০,০০০ হেনবগী পুন্সি মাঙহনখ্রবা অমসুং মালেমগী অকোয়বদা মীওই ২,১৭,৫০০ হেন্না নাহনখ্রবা হকশেলগী খ্বাইদগী খুদোঙথিবা ৱাথোক অসি লাক্লিনবা মালেম পুন্নমক্কী পাউখুম অমগী মথৌ তাবা লৈ হায়না মহাক্না চেংনা পনখি।

মালেমগী ইকোনোমিদা শৌগৎপগী মতাংদা য়ু এন সেক্রেটরি জেনরেলনা খ্বাইদগী হেন্না শোক্লিঙাই ওইবা অদুদা তেংবাংবদা অহেনবা মীৎয়েং থমগনি। মরুওইনা লো ইনকম ৱার্করশিং অমসুং স্মোল এন্দ মেদিয়ম সাইজ ব্যুজিনেসশিংদা মীৎয়েং থমগনি হায়খি।

খুদোঙথিবদা তারবা লৈবাকশিংবু ফাইনান্সিয়েল ফেসিলিটিশিংনা শৌগৎপগী মথৌ তাই হায়না এন্টোনিও গ্যুটরেসনা ফোঙদোক্লদুনা আই এম এফ, ৱার্ল্ড বেঙ্ক অমসুং অতৈ ইন্টরনেসনেল ইনষ্টিট্যুসনশিংনা তৌগদবা মরুওইরবা থৌদাং অমা লৈ হায়খি।

মতাং অসি লল্লোন-ইতিককী লৈরম্বা অপনবা শম্বলশিং শিদোক্কদবা অমসুং সপ্লাই চেনশিং অমুক হৌগদবা মতম অদু ওইরে হায়না মহাক্না হায়খি।



# রসিয়ানা কোরোনভাইরস ভেক্সিন প্রোটোটায়প চাংয়েং হৌখ্রে

*মোস্কো, মার্চ ২০(এজেন্সি)ঃ*

রসিয়ান সাইন্টিষ্টশিংনা সাইবেরিয়াদা লৈবা লেবোরেটরি অমদা অনৌবা কোরোনাভাইরসকী মায়োক্তঃ থানবা ভেক্সিনগী প্রোটোটায়পশিং শাশিংদা টেষ্ট তৌবা হৌখ্রে হায়না রসিয়াগী কঞ্জুমর হেল্ঠ রিগুলেটরনা ঙসি ইরাই নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

হৌজিক ফাওবদা রসিয়াদা অতৈ য়ুরোপিয়ান লৈবাকশিংদগী খ্বাইদগী হন্থনা কোরোনাভাইরসনা নাবা মশীং ১৯৯ খক্তমক লৈরি অদুবু মশীং অসি হন্দক নুমিৎ খরনিদা খংৱাং ৱাংখৎলকখি। ভাইরস অসি পোজিটিব ওইবা মীওই অমা শিখ্রে।

নোবোসিবিরস্ক সিটিদা লৈবা ভেক্টর ষ্টেট ভাইরোলোজি এন্দ বাইওটেক্নোলোজি সাইন্টিষ্টশিংনা তোঙান-তোঙানবা টেক্নোলোজিকেল প্লেটফোর্ম ৬তা য়ুমফম ওইবা ভেক্সিন প্রোটোটায়পশিং পুথোকখ্রে অমসুং মখোয় অদু করন্না ইফেক্টিপ ওইগদগে অমসুং করম্না দোজশিংদা থাবা য়াগদগে হায়বদু পুথোক্নবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা চাং য়েংবা হৌখ্রে হায়না রিগুলেটর অদুনা হায়খি।

মালেমগী অকোয়বদা লৈবা সাইন্টিষ্টশিংনা ভেক্সিন অমা পুথোকপা হায়বসি মতম শাংবা অমসুং য়াম্না অরুবা প্রোসেস অমনি। চুম্নগী চাওরাকপা অমা ওইবা শিজিন্নবা য়ানবগী ফাওবদা মথঙ থা ১২-১৮ চংলবা য়াই হায়না ৱার্নিং তৌখ্রবনি।

অয়াম্বা মতমদা অসিগুম্বা ষ্টদিশিংগীদমক লেবোরেটরি মাইস অমসুং রেটশিং শিজিন্নে। ফেরেটশিং, লৱার প্রিমেটশিং অমসুং অতৈ স্পিসিয়েল লাইনগী লেবোরেটরি এনিমেলশিংসু শিজিন্নে হায়না রসিয়ান রিগুলেটর রোসপোট্রেবনাদজোরনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি।

সাইন্টিষ্টশিংনা চৎলিবা চহী ২০২০গী অরোইবা থা ৩গী মনুংদা ভেক্সিন অমা পুথোকপা হৌবগী ওইথোক্লিঙাই লৈ হায়না থাজবা ফোদোকই হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তাখি।



# ইন্দিয়া, চিনা, রসিয়া ফোরেন মিনিষ্টর মীফম য়ৈথোকখ্রে

*ন্যু দিল্লি, মার্চ ২০(এজেন্সি)ঃ*

নোবেল কোরোনাভাইরসকা মরী লৈননা ওইরক্লিবা ফিভমশিংগী মরমদগী রসিয়া-ইন্দিয়া-চিনা (আর আই সি)গী ফোরেন মিনিষ্টরশিংগী চহীগী মীফম অদু য়ৈথোক্নবা রাসিয়ানা ৱারেপ লৌখ্রে। মীফম অদু রসিয়াগী সোচিদা মথঙগী চায়োলদা পাংথোক্নবা মতম লেপখ্রে।

মে ৯ ভিক্টোরি ডে থৌরমশিংদা শরুক য়ানবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মে থাদা রসিয়াদা চৎকদবা মাগী খোঙচৎ অদু চৎখিগদ্রা হায়বদু হৌজিক শেংনা খঙদ্রি।

কোভিদ-১৯গী অকিবা অসিগী মরমদগী লাক্লিবা নুমিৎ খরনি অসিদা মিনিষ্টর অমত্তা মপান লৈবাক্তা চৎলোইদবনি হায়না মোদিনা হান্না হায়খিবনি।

হৌজিক ফাওবগী ওইনদি খোঙচৎ অদু হান্নগী ফিভমদা অদুমক লৈরি হায়না দিপ্লোমেটিককী লিখুনশিংনা হায়রি।

# কোরোনাভাইরস পোজিটিব কানিকা কাপুরগা চাক্লেন পুল্লুবদগী পোলিটিসিয়ান ৩ সেল্ফ ক্বারেন্টাইন তৌখ্রে



দুশ্যান্তা সিংহ, এম পি



বোল্লিবুদ শৈশকপী কানিকা কাপুর

*ন্যু দিল্লি, মার্চ ২০(এজেন্সি)ঃ*

বোল্লিবুদ শৈশকপী কানিকা কাপুরদা মহাক কোরোনাভাইরস পোজিটিব ওইরে হায়না ঙসি সোসিয়েল মেদিয়াদা ফোঙদোক্লককখ্রবা মতুংদা লক্নৌদা মহাক্ন শরুক য়াখিবা অচৌবা চাক্লেন থৌরম অমনা পার্লিয়ামেন্ট অমসুং প্রসিদেন্ট হাউস য়াওনা দিল্লি ফাওবদা পোলিটিসিয়ানশিংদা কোভিদ-১৯গী অকিবা অমা থোকহনখ্রে।

নোংমাইজিং নুমিৎতা কানিকা কাপুরনা শরুক য়াখিবা চাক্লেনদা কোরোনাভাইরসকা শন্নরমখিবা য়াবা এম পি অমগা প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দকা উন্নখ্রে হায়বা ৱাফম খঙলকখিবদগী প্রসিদেন্টনা মহাক্কী এপোইন্টমেন্ট পূন্নমক ককথৎখ্রে।

বি জে পিগী সেনিয়ার লুচিংবী বসুন্ধরা রাজে অমসুং মহাক্কী মচানুপা মেম্বর ওফ পার্লিয়ামেন্ট (এম পি) দুশ্যন্তা সিংহ না চাক্লেন অদুদা শরুক য়ারুবনা মখোয়সু সেল্ফ-ক্বারেন্টাইন তৌখ্রে।

লাইবক থীবনা কোভিদ-১৯ পোজিটিব ওইরবী মার্চ ১৫দা লন্দনদগী হল্লকখিবী শৈশকপী কানিকা কাপুরসু গেষ্ট অমা ওইখিবা লক্নৌগী চাক্লেন অদুদা ইচানুপা দুশ্যন্তা, মাগী মরিমতাশিংগা লোয়ননা ঐহাক্না চাক্লেন অদু য়াওখি। মদুদগী ঐহাক অমসুং ইচানুপা খুদক্তা সেল্ফ-ক্বারেন্টাইন তৌখি হায়না রাজস্থানগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর বসুন্ধরা রাজেনা হায়খি।

দুসন্তনা এম পিশিংগী দেলিগেসন অমদা য়াওদুনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা প্রসিদেন্ট উন্নখি। পার্লিয়ামেন্টতসু শরুক য়াখিবনি।

# আসামদগী মপান লৈবাক্তা হল্লকপা ঙমদনা লৈখ্রবশিংদা ষ্টেটনা অমমদা দোল্লর ২,০০০ পীগনি

*গুৱাহাটি, মার্চ ২০(এজেন্সি)ঃ*

হৌখিবা নুমিৎ ৩০নিদা মপান লৈবাক্তা অতেনবা খোঙচৎ অমগীদমক অসামদগী চৎখিবা অদুবু কোরোনাভাইরসকী মরমদগী খুদক্তা হল্লকপা ঙমদনা লৈখ্রবা মীওই পূন্নমক্তা অহানবগী তেংবাং ওইনা অসাম গভর্ণমন্টেনা মী অমমমদা দোল্লর ২,০০০ ট্রান্সফর তৌরগনি।

অসামগী হেল্ঠ মিনিষ্টর হিমন্তা বিশ্ব শর্মনা হায়, সেমিনারশিং য়াওনবা, ট্রেনিংগী নৎত্রগা শানরোইশিং নৎত্রগা লমকোয়নবা অসামদগী মীওই কয়া মপান লৈবাক্তা চৎখি, অদুবু ইন্দিয়াদা কম্মর্সেল ফ্লাইটশিং ককথৎখিবদগী য়ুমদা হল্লকপা ঙমদদুনা লৈবাকশিং অদুদা পন্দুনা লৈরি।

মখোয়গীদমক খুদক্কী তেংবাং অমা ওইনা মখোয়গী বেঙ্ক একাউন্টশিংদা অমমমদা য়ু এস দোল্লর ২,০০০ ট্রান্সফর তৌরগনি। অদুবু মসি ষ্টেট অসিদগী ওইরবসু মফম অদুদা থবক তৌরিবা নৎত্রগা মহৈ তন্নিবশিং অদুগী নৎতে হায়না বিশ্ব শর্মনা মখা তাখি।



# ত্রিপুরাদা মকোক থোংবা টেরোরিষ্ট ফারে

*আগরটলা, মার্চ ২০(এজেন্সি)ঃ*

বংলাদেসতা লৈবা টেরর গ্রুপ, জমাতউল মুজাহিদীন বংলাদেস নৎত্রগা জে এম বিগী মকোক থোংবা মেম্বর অমা আধার কার্দ য়াওনা শাজিন্নবা দোকুমেন্টশিংগা লোয়ননা অৱাং ট্রিপুরাগী রাঘনা খুন্দগী মিলিটরি ইন্টিলিজেন্স অমসুং ত্রিপুরা পুলিসকী অপুনবা ওপরেসন অমদা য়ুমশকৈশাগী নুমিদাংদা ফাখ্রে।

মশাগী চহী ৩৫ শুরবা অবদুল মালিকনা ত্রিপুরাদা বেজ অমা শেমগৎখি। মফমদুগী নুপী অমা লৌরগা লৈরকখিবনি। মহাক ইন্দিয়াগী সিটিজেননি হায়নবা শাজিন্নবা আধার কার্দনচিংবা দোকুমেন্টশিং পায়রম্মি। মহাক্কী নুপী লিপি বেগমগা লোয়ননা ঙমখৈদা লৈবা খুঙ্গং অমদা অশানবা য়ুম অমদা লৈরকখিবনি। মখোয় অশামদগীনি, নোংমগী খূৎশুমন তাল্লগা লৈবনি হায়না খূঞ্জাশিংনা ফোঙদোকই হায়রি।

# কোরোনাভাইরস ঃ হোস্পিটালদা মতোমতা শিজখিবা মীওই অদুগী সেম্পলশিং লৌহৌদে ঃ মিনিষ্ট্র

*ন্যু দিল্লি, মার্চ ২০(এজেন্সি)ঃ*

লৈবাক্কী কোনুংদা লৈবা সফদরজনং হোস্পিটালগী ৭শুবা ফ্লোরদগী চোংথদুনা মশা মতোমতা শিজখিবা কোরোনাভাইরস নাবনি চিংনবা অনাবা অদুগী সেম্পলশিং টেষ্ট তৌনবা লৌহৌদে হায়না ঙরাং শগোলশেল নুমিৎতা সেনিয়ার হেল্ঠ মিনিষ্ট্রি ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

থৌদোক অসিগী অচুম্বশিং হৌজিক ফাওবা খঙদ্রি। হোস্পিটাল এদমিনিষ্ট্রেসননা হিরম অসিদা ইনক্বারি অমা চথবা হৌখ্রে হায়রদুনা ওফিসিয়েল অদুনা লৈখিদ্রবা অদুগী সেম্পলশিং চাংয়েংখিদে হায়না মখা তাখি।

হেল্ঠ মিনিষ্ট্রিনা হায়খি, অষ্ট্রেলিয়াগী সিদনিদা লৈরুবা মীওই অদু য়ুমশকৈশা নুমিৎতা দিল্লি এয়ারপোর্টতা থুংলখিবনি। এয়ারপোর্টতা মাগী সেলফ-রিপোটিং ফোর্মদা মরুওইবা কমপ্লেন ওইনা কোক চিকই হায়না ইরমখি।

মহাক এয়ারপোর্ট ওথোরিটিজনা সফদরজং হোস্পিটালদা পুরকখি অমসুং খুদক্তা আইসোলেসন ৱার্দতা থমখি হায়না হোস্পিটালগী লিখুলশিংনা হায়খি।

য়ুমশকৈশা নুমিৎতা নুমিদাং পুং ৯ লোম তাবদা হোস্পিটালদা থুংলখিবদা মহাক ইভেলুয়েসনগীদমক ৭শুবা ফ্লোরদা পুখৎখি। মফম অদুদা দোক্টরশিংনা চৎলুবদা মহাক লৈরমদে। তাঞ্জা অদুদা বিল্ডং অদুদগী থোকখিবা অতোপ্পা ডোক্টর অমনা নুমিদাং পুং ৯.৫ তাবদা লৈমাইদা হকচাং অমা তাবা উখি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়খি।

# কোভিদ-১৯ঃ চিনাদগী ১৫০ হেন্না ইটালিদা ৩,৪০৫ শিখ্রে

*রোম, মার্চ ২০(এজেন্সি)ঃ*

কোরোনা ভাইরসতগী ইটালিদা শিখিবা অপুনবা মশীংনা ঙরাং শগোলশেল নুমিৎতা চিনাদগী হেনগৎখিদুনা লাইচৎ অসিদা করন্না নোংচুপ লোমদা হেন্না শোকহল্লকখিবগে হায়বগী ময়েক শেংলবা শক্তম অমা উৎখ্রে। মীওই মিল্লিয়ন ৬০গী লৈবাক ইটালিদা লাইচৎ অসিনা হৌরকফম ওইরিবা চিনাদা শিখিবা মশীংদগী ১৫০রোম হেন্না য়ামদ্রবদা মীওই ৩,৪০৫ শিখ্রে। ইটালিগা চাংদম্নবদদি চিনাগী মীশিংনা শরুক ২০ হেন্না য়াল্লিবনি।

মালেম পুম্বগী ওইনা কোভিদ-১৯দগী শিখিবা মশীং অসি ১০,০০০ য়ৌখ্রে। লাইনা অসিদগী ফগৎলকখ্রবা অনাবা ৮৫,০০০রোম অদু থারগা কোভিদ-১৯না নাখিবা মশীং অসি ২,২০,০০০নি।

ইটালি অসি মালেমগী ২শুবা খ্বাইদগী অহল ওইবা পোপুলেসননি অমসুং হন্দক্কী লাইচৎতা শিখিবা অয়াম্বগী চাদা ৮৭দি মশাগী চহী ৭০ হেল্লবশিংনি।

ইটালিগী মথংদা স্পেননা খ্বাইদগী থীনা শোক্লবা য়ুরোপকী লৈবাক ওইখ্রে। লৈবাক অসিগী কোনুং মাদ্রিদতা লৈবা ফোর-ষ্টার হোটেল অমা কোরোনাভাইরস অনাবশিংগীদমক হোস্পিটাল ওন্থোক্তুনা থবক তৌবা হৌখ্রে।

মাদ্রিদ রিজনগী থবক তৌনবগীদমক মীওই ৯০০ থন্নবা হোটেল ৪০ শিজিন্নহনখ্রে হায়না মাদ্রিদ হোটেল ব্যুজিনেস এসোসিয়েসননা হায়খ্রে। স্পেনদা ঙরাং শগোলশেল নুমিৎ ফাওবদা হৌখিবা পুং ২৪দা চাদা ৩০ হেনগৎনা শিদুনা পুন্না শিদুনা ৮০৩ ওইখ্রে।

হৌজিক আফ্রিকাগী লৈবাক ৫৪গী মনুংদগী ৩৫দা কোভিদ-১৯ শন্দোকখ্রে, ৬৫০ নাখ্রে।

ইরানগী সুপ্রিম লিদর অয়াতোল্লাহ আল্লি খামেনৈনা ভাইরস অসি থেংননবা বন্দি ১০,০০০ হেন্না ঙাকপীনবা থৌরাং তৌখ্রে। লৈবাক অসিদা ভাইরস অসিদগী শিখিবা মী মশীং ১,২৮৪ য়ৌখ্রে।

ঐখোয়গী ই-পাউদা য়ুমফম ওইরগা মিনিট ১০ খুদিংগী কোরোনাভাইরসতগী মী অমমম শি, পুং খুদিংগী মীওই ৫০ রোম নাই হায়না ইরান হেল্ঠ মিনিষ্ট্রিগী ৱাঙাংলোই পিয়ানুস জহানপুরনা ট্বিট তৌখি।

অমরোমদা মালেমগী মনুংদা খ্বাইদগী চাওখৎলবা লৈবাক ওইরিবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা কোভিদ-১৯না নবদগী মীওই ১৫৪ শিখ্রে অমসুং মীওই ১০,৭৫৫ নাখ্রে।

হৌজিক চিনা, ইটালি, ইরান, স্পেন অমসুং জর্মনিগী মথংদা য়ু এসনা ৬ শুবা ওইরে অমসুং ফ্রান্স অমসুং সাউথ কোরিয়াগী মথক্তা লৈরি।

# অফগান সেক্যুরিটি ফোর্স ২৪ শিখ্রে

*করবুল, মার্চ ২০(এজেন্সি)ঃ*

খা থংবা অফগানিষ্টানদা বেজ অমদা লৈমিন্নবা অমগী এটেকতা ঙসি য়ামদ্রবদা অফগান সেক্যুরিটি ফোর্স ২৪ শিখ্রে।

জাবুল প্রোভিন্সতা নোংঙাল্লমদাইগী এটেক অদুদা ফোর্স মনুংদা য়াওশিলম্বা কয়ামরুম্না মখোয়গী কমরেদশিংনা তুন্নিংঙৈদা নোংমৈ কাপশিনখি হায়না প্রোভিন্স অদুগী গভনর রহমাতুল্লাহ য়ারমালনা হায়খি।

হৌখিবা থাদা টলিবানগা য়ু এসকী লাম্মী হন্দোক্নবগী য়ানরোল অমা সহি তৌনখিবা মতুংদা মসি খ্বাইদগী শাথিবা এটেক অমনি।

এটেক অদুনা জাবুল প্রোভিন্সকী কালাত মনাক্তা লৈবা পুলিস অমসুং আর্মিগী অপুনবা হেদক্বার্টরসতা পান্দম থম্লকখি। এটেক অদুদা অফগান আর্ম ফোর্সকী ১৪ অমসুং পুলিসমেন ১০ শিখি হায়না জাবুল প্রোভিন্সিয়েল কাউন্সিলগী চীফ অত্তা জান হক বয়াননা হায়খি।

এটেক অদুদা অতোপ্পা অফগান সার্মি ৪ থিবা খঙদ্রি। এটেক তৌরক্লিবা মীওইশিং অদু টালিবান লালহৌবশিংগা মরী লৈনবশিংনি হায়না মহাক্না মাখা তাখি।

এটেক তৌরকখিবা মীওইশিং অদুনা খুৎলাইশিং অমসুং নোংমৈ মরুশিংগা লোয়নবা পিকঅপ ট্রক অমগা লোয়ননা মিলিটরি হম্বি ভেহিকল অনীদা চেনখ্রে হায়না প্রোভিন্স অসিগী গভর্ণর য়ারমালনা পাউগী এজেন্সিদা হায়খি।

মত পীরক্নবা হায়জবদা টালিবানন্না খুদক্তঃ পাউখুম পীরকখিদে। জাবুল প্রোভিন্স হায়রিবসি পাকিষ্টানগা থংনবা অমসুং মতম শাংনদগী লালহৌবগী অকনবা মফম অমা ওইরকখি। ২০১৩দা শিখিবা হান্নগী টালিবান সুপ্রিম লিদর মুল্লাহ ওমরগী লৈফম ওইরম্মি।

| সনা-সুদোকু - ৪১১ গী সোল্যুসন | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | 3 | 8 | 6 | 4 | 2 | 7 | 1 | 9 |
| 6 | 9 | 4 | 1 | 7 | 3 | 8 | 5 | 2 |
| 7 | 2 | 1 | 5 | 8 | 9 | 6 | 3 | 4 |
| 1 | 7 | 9 | 3 | 6 | 8 | 2 | 4 | 5 |
| 3 | 5 | 6 | 4 | 2 | 1 | 9 | 8 | 7 |
| 4 | 8 | 2 | 7 | 9 | 5 | 3 | 6 | 1 |
| 8 | 1 | 7 | 2 | 5 | 6 | 4 | 9 | 3 |
| 2 | 6 | 5 | 9 | 3 | 4 | 1 | 7 | 8 |
| 9 | 4 | 3 | 8 | 1 | 7 | 5 | 2 | 6 |


**In the Court of The Sub-Deputy Collector**
**Porompat, Imphal East, Manipur**
*Ref. :- Mutation Case No. 146/SDC/P of 2020*

Al. Faraz S/o (L) F.A. Rafique of Khergao Awang Leikai
***- Petitioners***

***-Verses-***
Firoj Ahmed Rafique S/o Md. Md Hasan of Khergao
***- Opposite Party***

**NOTICE**
*Porompat,The 20/03/2020*

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতূং ইন্না খঙহল্লি মদুদি Imphal East Porompat Circle গী Village No. 42-Naharup গী Patta No. 199 (অরিবা) 191 (অনৌবা) C.S. Dag Nos. 306 an area 0.71 acre of Phourel Class লম অসিগী Pattadar অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না Court অসিদা দরখাষ্ট থাররে মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা S.D.C. Porompat Court অসিদা Objection তৌবিরনবা খঙহল্লি। নৎত্রবদি Court কী হৌনবী মতুং ইন্না Case মখা চত্থগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ Court অসিনা লৌজরোই।

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
Porompat, Imphal East

*SL/B(L)(1)/21*



**In the Court of Sub-Deputy Collector**
**Kakching, Manipur**
*Ref. :- Mutation Case No. 273/SDC/K dt 17/03/2020*

Naorem Gouridas Singh S/o N. Ahanjao Singh of Kakching Chumnang Leikai
***- Petitioners***

***-Verses-***
Naorem Gopal Singh S/o (L) N. Chaoba Singh of Kakching Chumnang Leikai
***- Opposite Party***

**NOTICE**
*Kakching,The 17/03/2020*

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতূং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি ককচিং তহশিলগী মনুংদা লৈবা খুল নং পাট্টা নং ২৪ অরিবা ৩৬ অনৌবা দাগ নংঃ (১) ৩২১৫ (২) ৩২১৭ গী এরিয়া .৭০ একর ইংখোল/ ফৌরেল / তাওথবী মফম অসিগী পাট্টাদার অসি লৈখিদ্রে। মথক্তা পল্লিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা নামা পানবিয়ু হায়দুনা উক্তা কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা হায়রিবা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপিনিংবা লৈরবদি খবর অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭(তরেৎ)নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেনা ৱাকৎ চে পীশিনবিরক্কদবনি। করিগুম্বা অয়েৎপা লৈত্রবদি হৌনবী মুতুং ইন্না কেস মখা চৎথরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Kakching

*SL/B(R.T)(1)/21*



**In the Court of Sub-Deputy Collector**
**Kakching, Manipur**
*Ref. :- Mutation Case No. 84/SDC/K dt 19/03/2020*

1. Mayengbam Malemnganba Singh S/o (L) M. Rajababu Singh of Wabagai Kairenbam
2. Mayengbam Naoba Singh S/o (L) M. Rajababu Singh of Keirak Mayai Leikai

***- Petitioners***

***-Verses-***

1. Mayengbam Manihar Singh S/o (L) Kala Singh of Keirak
2. Mayengbam Rajababu Singh S/o (L) Kala Singh of Keirak

***- Opposite Party***

**NOTICE**
*Kakching,The 19/03/2020*

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতূং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি ককচিং তহশিলগী মনুংদা লৈবা খুল নং পাট্টা নং 132 (New), 1127 (Old) ১৩২ অনৌবা, ১১২৭ অরিবা দাগ নংঃ ১০৪১ গী এরিয়া .২১৫০ হেক্টর চাউবা ইংখোল মফম অসিগী পাট্টাদার নং ২ অসি লৈখিদ্রে। মথক্তা পল্লিবা দংকারি অনী অসিনা মখোয়গী মমিংদা নামা পানবিয়ু হায়দুনা উক্তা কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা হায়রিবা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপিনিংবা লৈরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭(তরেৎ)নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেনা ৱাকৎ চে পীশিনবিরক্কদবনি। করিগুম্বা অয়েৎপা লৈত্রবদি হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চৎথরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Kakching

*SL/B(R.T)(2)/21*


## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-412**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | 5 | | | 8 | 9 | | 4 |
| | 4 | | 2 | | | | 3 | 7 |
| 7 | | | | 9 | | 5 | | 2 |
| | 2 | | 9 | | 7 | | 4 | |
| 9 | 5 | 3 | | | | | 7 | |
| 4 | | 7 | | 3 | | | | 5 |
| | | 8 | 5 | 2 | | | | 9 |
| 3 | | | 7 | 4 | | | | |
| | 9 | | | | 6 | 7 | | |